# HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable




মণিপুর সর্বোদয়া মন্দল, ইম্ফালনা শীন্দুনা মণিপুর হিন্দী পরিষদতা পাঙথোকপা মহাত্মা গান্ধী নীংশিংবগী থৌরমদা স্পেসল এচিভর্স এৱার্দ প্রোফেসর কে এস ঐচ বিমোলাদা খুৎশিন্নবগী শক্তম



মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী ওফিসতা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ থল্লন্বৱু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা এম পি পিগী থৌমীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফম্বগী শক্তম



মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিনা শীন্দুনা লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা নেসনল লোক অদালট পাঙথোকখিবগী শক্তম



ইন্দিয়া লৈঙাক, মণিপুর লৈঙাক অমদি য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীলগী মরক্তা ৯লকশুবা রাউন্দগী ট্রাইপরটাইট টোক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা চথখিবগী শক্তম


Vol. 42, Issue No.343 | নোংমাইজিং, লমতাগী ৪ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, March 10, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## অম্মিক বিষ্ণুপুর সেন্টরগী মীফম

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচএন এস) ঃ অম্মিক বিষ্ণুপুর সেন্টরগী জেনরেল বোদি মীফম লাক্লিবা মার্চ ১৬ তা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা অম্মিক বিষ্ণুপুর সেন্টরগী মথং টর্মগী থৌ পুগদবা ওফিস বিয়ররশিং খনগনি। মরম অদুনা মেম্বর পুম্নমক্না মতম চানা সেন্টর অসিগী ওফিসতা লাকপীদুনা মীফম অসিদা য়াওবীননবা সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি থিংবাইজম স্বারনকুমারগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি

## শিন্নী ৩ কিদনেপ তৌখিবগী মায়োক্তা এন ঐচ-২ বন্দ হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৬ তা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর অমসুং চঙৌবুংগী মরক্তা লৈবা মফম অমদগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা মারুটি জিপসি (অঙৌবা) অমদা লাকখিবা এন এস সী এন (আর) নি চিংনবা মীওইশিংনা কিদনেপ তৌদুনা পুখিবা বি আই পি এলগী ৱার্কর ৩ কিদনেপ তৌখিবগী মায়োক্তা কুকি ইন-পি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লমজিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিভিল ...মখা লামায় ৩ কলম২

### অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৪.১১ °C | ১০.৯১ °C |
| চান্দেল | ৩০.৯৮ °C | ৯.৩৬ °C |
| সীসীপুর | ২৪.৯ °C | ৯.৬ °C |
| ইম্ফাল | ২৪.৭৯ °C | ৮.৪ °C |
| সেনাপতি | ২২.৪২ °C | ৬.৪১ °C |
| তমেংলোং | ২৬.৯৩ °C | ৮.৩৭ °C |
| থৌবাল | ২২.৬৪ °C | ১২.৮৫ °C |
| উখ্রুল | ১৭.৬৮ °C | ৫.৩৮ °C |
| মণিপুর | ৩০.৯৮ °C | ৫.৩৮ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.638663 |
| US Dollar | 69.990610 |
| British Pound | 91.096383 |
| Australian Dollar | 49.321594 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.412422 |
| Japanese Yen | 0.629517 |
| Malaysian Ringgit | 17.123228 |
| Australian Dollar | 49.321594 |
| Singapore Dollar | 51.527559 |
| South Korean Won | 0.061708 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.664163 |
| Thai Baht | 2.205247 |
| Myanmar Kyat | 0.04876 |
| Bangladesh Taka | 0.83496 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 33069.52 |
| Mumbai | – | Rs 33754.01 |
| Delhi | – | Rs 33796.79 |
| Kolkata | – | Rs 34042.78 |

### HL POLL

Q : Nambul Turel Lu-Nalhannabagi Launch Toukhiba Project ashi Mai pakkani Khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipurgi Oiriba phibamsida Houjik Nupa amasung Nupigi Marakta Right Mannare Haina Louba Yarabra?

Yes 26% No 74%

### অস! লোইরেহে!

তাদা খরা খরা লূ-নান্না লৈবীয়ু, লূ-নান্না লৈসি!



ইবুংঙো হোরেলগী থোংনবা চেঙ লৈত্রি, লূ-নানবা লায়রি!

গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা সগোলবন্দ এ সীদা ভোট থাদরগনি

# গভর্ণরনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি তমজনিংঙাইহনি : সী ঈ ও



ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস): গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাগী মিং সগোলবন্দ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী ভোটর লিষ্টতা চনখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা ভোট থাদবা য়াওরগনি।

পোল্লিং ষ্টেসন ১১/৩৪ ওল্ড লম্বুলেন্দ (বি) দা মহাক ভোট থাদবা য়াওরগনি। হৌজিক হৌজিক ইম্ফালদা লৈরিবা মরম্না ন্যু দিল্লিদা লৈবা হান্নগী কনষ্টিট্যুএন্সিদা য়াওবা ভোটর লিষ্টতগী মিং কক্লগা সগোলবন্দ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা মিং চনখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা গভর্ণরনা হায়খি, চহী খরা ইম্ফালদা লৈরক্লবা মরম্না মফম অসিদা লৈরিঙৈ মনুংদা ভোট থাদবা ফংনবগীদমক ন্যু দিল্লিগী ভোটর লিষ্টতা য়াওবা মিং কক্লগা সগোলবন্দ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা নৌনা মিং চনখিবনি।

লাক্লদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ভোট থাদবা ফংলগনি খনবদা চাউথোকচবা পোকই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হিরমসিগী মতাংদা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর পি কে সিংহনা হায়খি, মথৌ মশক খঙবা লৈবাক্কী সিটিজন অমা ওইনা গভর্ণরনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি তমজনিংঙাইহনি। ইন্দিয়াদা মীওই মিলিয়ন কয়ামরুম থবক তৌবা, লল্লোন-ইতিক তৌবা, মহৈ তম্বা নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা মরম কয়াদগী ময়ুম হোংদোক-হোংজিন তৌরি। লৈফম হোংলবসু ইন্দিয়াগী সিটিজন অমনা ভোট থাদনবগী রাইট অরেম্বদা মাঙহন্দনবগী মতাংদা গভর্ণরনা তমজনিংঙাই ওইবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী থৌরাং মখাদা মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরনা মীপুম খুদিংমক ভোট থাদবা ফংহন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্টোরেল ওফিসর এন প্রবিন য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর পি কে সিংহনা গভর্ণরদা ইলেক্সন ফোটো আইদেন্টিটি কার্দ খুৎশিন্নখি।

# লুপা ক্রোর ৯৭ চঙনা পায়খৎকদবা নম্বুল তুরেল নালহন্নবগী প্রোজেক্ট লোঞ্চ তৌখ্রে

## তুরেল ৬ কী প্রোজেক্ট প্রপোজেল থাখ্রে, নম্বুলগী লুপা ক্রোর ৯৭ সেঙ্কসন তৌরক্লে : সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী নেসনল রিভর কঞ্জার্ভেসন প্লান (এন আর সী পি) গী মখাদা লুপা ক্রোর ৯৭.৭২ চঙনা পায়খৎকদবা নম্বুল তুরেল নালহন্নবগী প্রোজেক্ট ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লোঞ্চ তৌখ্রে।



চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা রিজার্ভেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ নম্বুল রিভর ইন ইম্ফাল, প্রোজেক্ট লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, নম্বুল তুরেল য়াওনা মণিপুরগী মরুওইবা তুরেল ৬ নিংথিনা শেম্নবগী প্রোজেক্টশিংগী প্রপোজেল মিনিষ্ট্রিদা থাখি। অহানবগী ওইনা নম্বুল তুরেলগী প্রোজেক্ট অয়াবা পীরক্লে। লুপা ক্রোর ৯৭ সু সেঙ্কসন তৌরক্লে। প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা ইরোইশেম্বদগী হৌরগা নম্বুল তুরেল নাকল অনীমক্তা পাইপ ফুন্নগা অমোৎপা, অনৈবা, ফত্তবশিং পুগনি। মোংশাঙ্গৈদা ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অমা থম্নগা ফত্তবশিং নিংথিনা ট্রিটমেন্ট তৌরবা মতুংদা অরুবা ঈশিং ওইহন্দুনা লোক্তাক্তা তাহনখিগনি। ট্রিটমেন্ট প্লান্ট শেমগৎকদবা মফম আইদেন্টিফাইদ তৌরে।

লোক্তাক লূ-নান্না থম্বদা পাৎ অসিদা তারিবা তুরেলশিংগী ঈশিং ফংহনবা চঙই। তুরেলদা অমোৎ-অকায়, ফত্ত-হাওদি অমদি অহাংবা বোটলশিং লংথোকপীগনু। নম্বুল তুরেলদসু ফত্ত-হাওদি কয়া লংথোরকপনা তুরেল অসিগী ফীভম শোকচিল্লক্লিবনি। নুমীদাংগী মতমদা কারদা য়ুমগী অমোৎ-অকায় হাপ্লগা পুথোরক্লগা নম্বুল তুরেলদা থাদবগী থবক তোক্লসি। নম্বুল তুরেলগী প্রোজেক্ট অসি পায়খৎলক্লবদি লূ-নান্না থম্বদা খুম্মাং চাউশিল্লগনি। তুরেলগী নাক-য়েৎতা মী য়াম্না কুংনা তাবা মফমশিংদা অমোৎ অকায় হুনে দাক্লবা দষ্টবিন কয়ামরুমসু খীনগনি। অমোৎ-অকায় মফম চানা থল্লবদি অমোৎপা লৌখৎপা লাকপশিংনা নীংথিনা খোমগৎলগা লমদেংদা লৈরিবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টতা পুবা য়াগনি। মণিপুর য়াম্না পীকপা লমনি। অমোৎ-অকায় লোয়শিনবগী থবক নীংথিনা পায়খৎলবদি লূ-নানবা লম ওইহনবা য়াগনি। নম্বুল তুরেল নালহন্নবা প্রোজেক্ট পায়খৎলকপা অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনমিন্নসি।

শিংদাগী অকোয়বদা কেটচমেন্ট এরিয়াদা উমং কোকশিল্লকপনা মরম ওইরগা ঈশিং নীংথিনা লৈশিল্লক্ত্রে। খুল কয়া তাশিল্লকপা অমদি উমং কোকথোরকপনা ঈশিং লৈবগী চাং হন্থরক্লিবসি খঙমিন্নবা চঙই। কেটচমেন্ট এরিয়াদা উমং য়োকখৎপা তঙাইফদে। উমং য়োকখৎপদা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা, রিজুভেনেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ নম্বুল রিভর ইন ইম্ফাল প্রোজেক্টকী মতাংদা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন পীরদুনা ইনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্টকী সাইন্টিষ্ট ব্রজকুমারনা হায়খি, প্রোজেক্ট অসি কম্পোনেন্ট ৯ থোক্না পায়খৎকনি। অহানবা ফেজগী ওইনা চহী ৩ দা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎনবা পান্দম থম্লি। কম্পোনেন্ট ৱানদা ইরোইশেম্বদ-গী হৈরাঙ্গোইথোং ফাওবা নম্বুলগী নাকল অনীমক্তা কিলোমিটর ৯ লোম পাইপ লাইন হাপ্তুনা ওপনদ্রেনদগী পুথরকপা ফত্তবা ঈশিং অমদি অমোৎ-অকায়শিং পুগনি। মসিগী ওইনা লুপা ক্রোর ৫০.৪০ য়াওরি।

কম্পোনেন্ট টুদা মোংশাঙ্গৈ অমদি শামুশঙদা ট্রিটমেন্ট প্লান্ট শেমগৎকনি। মোংশাঙ্গৈদা শেমগৎকদৌরিবা ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অসি এম এলদি ১৬ কীনি। শামুশঙদা শেমগৎকদৌরিবা অসিনা এম এলদি ১ গীনি। ট্রিটমেন্ট প্লান্টশিং অসিদা ফত্তবা ঈশিং ট্রিটমেন্ট তৌদুনা লুহনগনি। মসিগীদমক লুপা ক্রোর ২৭.৯৭ য়াওরি।

কম্পোনেন্ট-৩ দা নম্বুল তুরেলগী পরিংদা শারিবা ক্রিমেটোরিয়ম ৫৬ ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা মওংদা শেমগৎকনি। পোলোইবগী উৎনচিংবা তুরেলদা তাহন্দনবা থবক পায়খৎকনি। কম্পোনেন্ট নম্বর - ৪ দা কম্যুনিটি টোইলেট কমপ্লেক্স য়ুনিট ২০ শেমগৎকনি। মসিদা নুপী অমদি নুপাগী তোঙান তোঙানবা লেট্রিন ৪ য়াওগনি।...মখা লামায় ৩ কলম২

# এস টি দি সী এমনা কৌখিবা পুং ৩০ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস): মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা মণিপুর লৈঙাক্না রেকমেন্দেসন থাবীদবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা কৌখিবা পুং ৩০গী জেনরেল ষ্ট্রাইক ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৬ তাবদগী হৌখ্রে।

জেনরেল ষ্ট্রাইক হৌখিবনা মরম ওইরগা ইম্ফালগী মরুওইবা মফমশিংদা লৈবা দুকানশিং নুমীদাংৱাইরম পুং ৬ কী মতুংদা থোঙ লোন্নখি। মফম খরদদি লম্বী থিংবা ফাওবা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্না শীনবা থবক লৌবগী ইন্টর্ভিয়ু, এগজামনচিংবা খুদিংমক য়াওনা থৌরম অমত্তা মীয়াম্না শৌগৎপীগনু। মসিদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা পুম্বা মশা-মশানা অমদি লৈঙাক্না থৌদাং পুগদবনি হায়না সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম)গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি দল্লিয়ু অনন্দ ...মখা লামায় ৩ কলম৪

# ট্রাইপরটাইট টোক চথখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া লৈঙাক, মণিপুর লৈঙাক অমদি য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী) গী মরক্তা ৯লকশুবা রাউন্দগী ট্রাইপরটাইট টোক ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা দি আর দি এগী কনফরেন্স হোলদা চথখ্রে। মথং রাউন্দগী ৱারী শানবা চহীসিগী জুলাই থাদা পাঙথোক্কদৌরি।

ঙসি চথখিবা ৯লকশুবা রাউন্দগী ট্রাইপরটাইট টোকতা এম ঐচ এগী জোইন্ট সেক্রেটরি (এন ঈ) সত্যেন্দ্রা গার্গনা চ্যের লৌখি। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী...মখা লামায় ৩ কলম১

এম পি এস ওফিসরশিংগী মরক্তা সিনিয়রিটি কান্থোকপগী মায়োক্তা ৱাকৎলক্লে

# হায় কোর্টনা হোম, দি পি অমসুং দি জি পিদা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা হৌজিক লৈরিবা মণিপুর পুলিস সার্ভিস (এম পি এস) ওফিসরশিংগী সিনিয়রিটি লিষ্টতা য়াওরিবা ওফিসরশিংগী মরক্তগী সিনিয়র ওফিসরশিং কান্থোক্লগা মখোয়গী মখাদা লৈবা ওফিসরশিংবু শৎকৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসশিংগী ইন-চার্জ সুপরিন্টেন্দেন্ট (এস পি) অমসুং মণিপুর রাইফলস (এম আর) অমদি ইন্দিয়া রিজার্ব বট্টালিয়ন (আই আর বি) শিংগী ইন-চার্জ কম্মান্দেন্টশিং ওইহনববু শীংনদুনা মসি-গীদমক থোকখিবা ওর্দরশিং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চেলেঞ্জ তৌরক্লে।

হায় কোর্ট মণিপুরদা ৱাকৎলক্লিবা পিটিসনর অদুগী মমিং য়ুম্নাম রাজেন্দ্রো (৫৮) কৌই। ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাঙ্খেই কোন্সম লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা ৱাই কহ্নাইমচাগী মচানুপানি। মহাক এম পি এস সিনিয়রিটি লিষ্টতা য়াওরিবা সিনিয়র ওফিসরনি। মহাক্না কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরক্লিবা কেস অদুগী নম্বরনা রিট পিটিসন (সিভিল)- ১৭৭ ওফ ২০১৯ নি। পিটিসন অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবশিংনা ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদা কম্মিস্নার/সেক্রেটরি (হোম), দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (পর্সনেল দিভিজন)গী কম্মিস্নার/সেক্রেটরি অমসুং দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরনি। মখোয় অহুম্না পিটিসন অসিগী ওফিসল রেস্পোন্দেন্টশিংনি। অদুগা কেস অসিগী প্রাইভেট...মখা লামায় ৩ কলম৬


## STAFF WANTED

Applications are invited from the willing candidates for the following post.

DETAILS OF POST :

| Post | Qualification | M/F | Exp. | Age | No.of Post | Scale of Pay |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. Accountant | B.com/M.com | M/F | 3-5yrs | 30&above | 1 | Negotiable |
| 2. Collector | XII | M | - | 30&above | 4 | Negotiable |
| 3. Reception | XII | F | - | 30&above | 2 | Negotiable |
| 4. Caretaker | VIII | M | - | 40&above | 1 | 9000 + Incentive |
| 5. Security | VIII | M | - | 30&above | 2 | 6000 + Incentive |
| 6. Driver | VIII | M | 3-5yrs | 30&above | 10 | 9000 + Incentive |

Imphal Finance Co-op. Thrift & Credit Society Ltd.
H.O.Loklaobung,B.O.M.G. Avenue,Paona Bazar & Bishnupur Bazar.
Note: Last date of form submission is 20/03/2019

HL-P/6007/27/2-31-3




HL-B/5273/10



ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫